*ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি থাঙ–তা কম্পিটিসন:*

# মেদল টেল্লিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরনা নুপীগী সেক্সনদা অমসুং এম য়ুনা নুপাগী সেক্সেনদা মাঙজিল থারি




ইম্ফাল, এপ্রিল ০৮ (এস এন এস)ঃ
এসোসিয়েল ওফ ইন্দিয়ন য়ুনিভর্সিটিস ন্যু দিল্লিগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা শীন্দুনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ডা. কমল ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথরিবা অহানবা ওল ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিটি থাঙ–তা (মেন এন্দ ব্রুমেন) কম্পিটিসন ২০২৫–২৬কী ঙসি হুমনি শুবা নুমিৎ লোয়বা ফাওবগী মেদল টেল্লিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরনা নুপীগী সেক্সনদা অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা নুপাগী সেক্সনদা মাঙজিল থারি।

থা অসিগী ৬ত্তী তেঙ্গন তেঙ্গনবা লৈবাক অসিগী য়ুনিভর্সিটি ২৮না শরুক য়াদুনা চথরকখিবা কম্পিটিসন অসিগী নুপীগী সেক্সনদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরনা গোল্ড ৭, সিলভর ১ অমসুং ব্রোঞ্জ ৩ য়াওরগা পুন্না মেদল ১১ ফংদুনা মেদল টেল্লিদা মাঙজিল থাবগা লোয়ননা নুপাগী সেক্সনদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা গোল্ড ৬, সিলভর ৪ অমসুং ব্রোঞ্জ ২ য়াওরগা পুন্না মেদল ১২ ফংলগা মাঙজিল থাবা ঙম্লি। নুপীগী মেদল টেল্লিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরনা মাঙজিল থাবগা লোয়ননা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি ইম্ফালনা গোল্ড ৩, সিলভর ৩ অমসুং ব্রোঞ্জ ২ য়াওরগা পুন্না মেদল ৮ লৌরগা অনীশুবা মফম অমসুং তামিল নাদু ফিজিকেল এন্দ স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিনা গোল্ড ২, সিলভর ৩ অমসুং ব্রোঞ্জ ৫ য়াওরগা পুন্না মেদল ১০ লৌদুনা অহুমশুবা মফম কনবা ঙম্লি। নুপাগী সেক্সনদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা মাঙজিল থাবগা লোয়ননা ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি ইম্ফালনা গোল্ড ৪, সিলভর ১ য়াওরগা পুন্না মেদল ৫ লৌরগা অনীশুবা মফম অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরনা গোল্ড ৩, সিলভর ৪ অমসুং ব্রোঞ্জ ৭ য়াওরগা পুন্না মেদল ১৪ লৌদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

কম্পিটিসন অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী কেজি ৭০ মখাগী ফুনবা অহানবা ইভেন্টদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী লেনিন মৈতৈনা গোল্ড, তামিল নাদু ফিজিকেল এন্দ স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী ইলাংগা মণিনা সিলভর, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী দব্লিউ রোহিট অমসুং ভগৱন্ত য়ুনিভর্সিটিগী রাহুলনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি।

কেজি ৭৫ মখাদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী এম সদানন্দনা গোল্ড, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী লিশম য়োইহেনবনা সিলভর, তামিল নাদু ফিজিকেল এন্দ স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী ভি সজিন অমসুং এপেক্স য়ুনিভর্সিটিগী অশোক সাইনিনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

কেজি ৮০ মখাদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী নিখিল শগোলশেমনা গোল্ড, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী চিঙাখম অবাসনা সিলভর, য়ুনিভর্সিটি ওফ পতাঞ্জলিগী কার্তিকে অমসুং এপেক্স য়ুনিভর্সিটিগী অজে চৌধরিনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

কেজি ৮০ মথক্তা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী দব্লিউ জয়সননা গোল্ড, তামিল নাদু ফিজিকেল এন্দ স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী য়ুবাপ্রসাদনা সিলভর, এপেক্স য়ুনিভর্সিটিগী মুকেস অমসুং ভগৱন্ত য়ুনিভর্সিটিগী বিজেন্দ্রনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি।

নুপীগী ফুনবা অনীশুবা ইভেন্টগী কেজি ৪৪ মখাদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী লৈতাঙ্থেম অয়িংবিনা গোল্ড, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী নিংথৌজম লিন্দানা সিলভর, য়ুনিভর্সিটি ওফ পতাঞ্জলিগী গৌরি অমসুং তামিল নাদু ফিজিকেল এন্দ স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী কির্থিকানা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

কেজি ৪৮ মখাদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী লাঙ্গোলজম রোশনিনা গোল্ড, তামিল নাদু ফিজিকেল এন্দ স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী অগলয়ানা সিলভর অমসুং য়ুনিভর্সিটি ওফ পতাঞ্জলিগী সলোনিনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

কেজি ৫২ মখাদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী অহন্থেম সেলিনানা গোল্ড, ইকফাই য়ুনিভর্সিটিগী নুপুরনা সিলভর, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী লনচেনবী অমসুং নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী দরসনানা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। কেজি ৫৬ মখাদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী মৈস্নাম রোনিয়ানা গোল্ড, য়ুনিভর্সিটি ওফ কাশ্মিরগী মহিরা গুলজরনা সিলভর, য়ুনিভর্সিটি ওফ পতাঞ্জলিগী মহি শর্মা অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রিয়ঙ্কা চনুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

*এ এফ সি অন্দর–২০ ব্রুমেন'স এসিয়ন কপ:*

# সিবানিগী গোল অনী অমদি ভুমিকাগী গোল অমনা ইন্দিয়াবু চাইনিস টাইপৈগী মথক্তা মায় পাকহনখ্রে




বেঙ্কোক, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সি)ঃ
থাইলেন্দগী পাথুম থানি ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা এ এফ সি অন্দর–২০ ব্রুমেন'স এসিয়ন কপ ২০২৬কী গ্রুপ–সিগী মেটচ অমদা ইন্দিয়ানা চাইনিস টাইপৈবু মায়থিবা পীবদা সিবানি নোংমৈকাপমনা গোল অনী অমসুং ভুমিকা খুমুকচমনা গোল অমা চনবা ঙমখ্রে।

চথরিবা এসিয়ন কপ অসিগী ইন্দিয়াগী মমাঙগী মেটচ অনীদা জপানগী মখুৎতা ০–৬ অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী মখুৎতা ০–৫দা মায়থিবা নঙখ্রবা মতুং মেটচ অসিদা অকনবা মওংদা খুৎ হল্লকপগা লোয়ননা চাইনিস টাইপৈবু গোল ৩–১দা মায়থিবা পীখি। ইন্দিয়াগী মায় পাকপগী গোল অহুম অদু সিবানি নোংমৈকাপমনা মেটচকী ৩২ অমসুং ৮৭ শুবা মিনিটতা গোল অনী অমদি ভুমিকা খুমুকচমনা ২৬শুবা মিনিটতা গোল অমা চনবা ঙমখি।

মায়থিহৌরবা চাইনিস টাইপৈগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা অনীশুবা হাল্ফকী ষ্টোপেজ টাইমগী অহুমশুবা মিনিটতা সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা কাও সিননা চনবা ঙমখি।

এসিয়ন কপ অসিগী ইন্দিয়ানা অহানবা ওইনা মায় পাকখ্রবা মতুং গ্রুপ–সিগী পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ৩ ফংলগা অহুমশুবা মফম কনবা ঙম্লি। ইন্দিয়ানা করিগুম্বা ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক মফম কনগে হায়রবদি ঙসি অথেংবদা শান্নগদৌরিবা জোর্দান অমসুং উজবেকিষ্টানগী মেটচ অসি দ্রো ওইবা মথৌ তারি। করিগুম্বা মেটচ অসিদা দ্রো ওইরবদি ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক ইন্দিয়া খ্বাইদগী ফবা থার্দ প্লেস টিম অনী লৌখৎলক্কদৌরিবা অসিগী মনুংদা য়াওরকপা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরি।

ইন্দিয়া অমসুং চাইনিস টাইপৈনা শান্নখিবা মেটচ অসিদা ইন্দিয়াগী অহানবা গোল চনবা য়াবা ওইনা হাল্ফ অসিগী ময়াই চনশিল্লকপা তাঙ্কক্তা লিংদৈকিমনা চাইনিস টাইপৈগী দিফেন্দরবু তুংওইনরল্লগা গোলকিপর মায়থিবা পীরল্লগা গোল ওন্থোকপা য়াবগী খুদোংচাবা চাউনা ফংলল্লবসু গোলকিপরনা সেভ তৌখিদুনা অরেম্বা তাখি।

মেটচ অসিগী ২৬শুবা মিনিটতা সিবানি নোংমৈকাপমনা য়েৎথংবা মায়কৈদগী পীরকপা পাস অমা লিংদৈকিম অমসুং সুলঞ্জনানা ফংহৌদ্রবা মতুং মার্ক তৌদনা লৈরিবা ভমিকানা ফংদুনা এটেম্প তৌবা বোল অমা চাইনিস টাইপৈগী দিফেন্দরদগী থক্তোরক্তুনা গোল তম্না চঙখিদুনা ইন্দিয়াগী অহানবা গোল একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী গোল একাউন্ট হাংদোকখ্রবা মতুং ইকুই কুইদনা সিবানিনা বোক্স মনুংদা ফংবা বোল অমা হাল্ফ ভোল্লিদা মহাক্কী ওইথংবা মখোংনা শক্তি লৈরবা কিক অমা কাওশিন্দুনা চাইনিস টাইপৈগী গোলকিপরবু মায়থিবা পীরমদুনা ইন্দিয়াগী অনীশুবা গোল চনবতা নত্তনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদা ২–০দা মাঙজিল থাহনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা চাইনিস টাইপৈগী মায়কৈদগী খুৎ হল্লকপগা লোয়ননা গোল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা ওইনা লি চুন মৈ অমসুং য়ু চুৱাননা ফংলবসু এসিয়ন কপ অসিদা অহানবা মেটচ ওইনা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী গোলকিপর রিবানসু জামুনা নীংথিজরবা সেভ তৌদুনা মখোয়গী গোল একাউন্ট হাংদোকপা ঙমহনখিদে।

মেটচকী ৭২শুবা মিনিটতা ইন্দিয়াগী সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা নেহানা কাওরকখিবা ফ্রি কিক অমদগী সিভানিনা হেদিং তৌশিন্দুনা গোল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা ফংলবসু গোলকিপরনা সেভ তৌরবসু নীংথিনা কলেক্সন তৌহৌদবগী খুদোংচাবা লৌদুনা পুজানা অমুক হন্না এটেম্প তৌরবসু পোষ্টকী ৱাংমদা চৎখিদুনা ইন্দিয়াগী অহুমশুবা গোল চলমগদবা খজিত্তং ঙায়খি।

মেটচকী ৮৭শুবা মিনিটতা চাইনিস টাইপৈগী বোক্স মনুংদা মখোয়গী শান্নরোই অমদা হেন্দবোল তাবদগী রেফরিনা ইন্দিয়াগী ফেভরদা পেনাল্টি পীখি। পেনাল্টি অদু সিভানি নোংমৈকাপমনা অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা গোল ওন্থোক্তুনা ইন্দিয়াগী অহুমশুবা গোল চনখি।

অনীশুবা হাল্ফ অসিগী ষ্টোপেজ টাইমগী ৩শুবা মিনিটতা চাইনিস টাইপৈগী কাও সিননা গোল অমা চল্লবসু মতম লৈতবদগী অতোপ্পা গোল হন্দোকপা ঙমদনা মেটচ অসিদা ইন্দিয়ানা গোল ৩–১দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী অহানবা ওইনা মায় পাকপদা নত্তনা পোইন্ট একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখি।

# মণিপুরদগী শান্নরোই ৮ য়াওবা ইন্দিয়াগী সেনিয়র ব্রুমেন'স ফুটবোল টিম নাইরোবি থুংখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সি)ঃ
কেনিয়ানা য়ুম্থু ওইদুনা নাইরোবিদা টিম ৪না শরুক য়াদুনা চথগদৌরিবা ফিফা সেরিজ ২০২৬দা মণিপুরদগী শান্নরোই ৮ য়াওবা ইন্দিয়াগী সেনিয়র ব্রুমেন'স ফুটবোল টিম নাইরোবিদা থুংখ্রে।

ইন্দিয়াগী অপূনবা মেম্বর ২২গী মনুংদা য়াওরিবা মণিপুরদগী শান্নরোই ৮ অদুদি গোলকিপরদা লিন্থোইঙম্বী মাইবম, দিফেন্দরদা মার্টিনা থোকচোম, নিরমালা ফঞ্জৌবম অমসুং শরিতা য়ুম্নামনি। মিদফিল্ডরদা বাবিনা দেবী লিশম, প্রিয়ঙ্কা দেবী নাওরেম অমসুং সিল্কি দেবী হেমামগা লোয়ননা ফোরৱার্দতা লিন্দা কোম সর্তোনি।

টিম ৪না শরুক য়াদুনা সেমি ফাইনেল ষ্টেজতগী হৌগদৌরিবা ফিফা সেরিজ অসিদা ইন্দিয়ানা অনীশুবা সেমি ফাইনেল ওইনা থা অসিগী ১১দা য়ুম্থু ওইরিবা কেনিয়াগা নাইয়ো নেসনেল ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি। অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদনা নুমিৎ অসিগী অঙনবা শরুক্তা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং মালাৱিনা শান্নরগা থার্দ প্লেস অমসুং ফাইনেল মেটচতা থা অসিগী ১৫দা শান্নগনি।

ইন্দিয়ন সেনিয়র ব্রুমেন'স টিম অসি হেদ কোচ ওইনা ক্রিস্পিন সেত্রিনা ওইবগা লোয়ননা ২০২৫কী এ আই এফ এফ ব্রুমেন'স কোচ ওফ দি ইয়রগী মনা ফংবা ঙমখ্রবা সুজাতা করনা এসিষ্টেন্ট কোচ অমসুং কে বাপুনা গোলকিপিং কোচ ওইনা য়াওরি।

ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওরিবা অতোপ্পা শান্নরোইশিং অদুদি গোলকিপরদা অদ্রিজা অমসুং শ্রেয়া হুদা, দিফেন্দরদা অষ্টম ওরান, জুলি কিষন, পুর্ণিমা কুমারী, মিদফিল্ডরদা অভেকা, জসোদা, প্রিয়াদর্শনি অমসুং সনফিদাগা লোয়ননা ফোরৱার্দতা করিস্মা, কাভিয়া, মালভিকা, পিয়ারি জাজা অমসুং রিম্পা হল্দারনি।

## ইন্দিয়াগী সুটর ফাইনেল চঙবা ঙমখিদ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সি)ঃ
স্পেনগী গ্রনাদাদা চথরিবা আই এস এস এফ ৱার্ল্ড কপ ষ্টেজ ৱানদা ইন্দিয়াগী নুপা সুটরশিং মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টদা ফাইনেল চঙবা ঙমখিদ্রে।

চথরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মিটর ১০গী মিক্স টিম ইভেন্টদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবা মুকেস নেলাভালি নুপাগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইন্দিভিজুয়েল ইভেন্টগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা ১৪শুবা পোজিসন তাদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিদে।

ইভেন্ট অসিদা উজুৱাল মালিকনা পোইন্ট ৫৭৭ স্কোর তৌদুনা ২২শুবা অমসুং প্রমোট কুমারনা পোইন্ট ৫৭৪ স্কোর তৌদুনা ৩৯শুবা পোজিসন তাখিবগা লোয়ননা বরুন তোমরনা ৬৩শুবা পোজিসন তাখি।

নুপীগী মিটর ২৫গী ইন্দিভিজুয়েল পিষ্টোল ইভেন্টদা রিদম সংৱান অমসুং দিবিয়া মকোক থোংবা ৮গী মনুংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈদুনা ফাইনেল চঙবা য়াবগী খুদোংচাবা চাউনা লৈরি। রিদম সংৱাননা ঙসিগী নুমিৎ লোয়বা ফাওবদা পুন্না পোইন্ট ২৯২ স্কোর তৌবগা লোয়ননা দিবিয়ানা পোইন্ট ২৯১ স্কোর তৌবা ঙমখি। রেপিদ ষ্টেজ অমসুং ফাইনেল হয়েং পাঙথোক্কনি।

# নেসনেল আর্মরেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী আর্মরেষ্টলশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৮ (এস এন এস)ঃ
চহী অসিগী মে ২৯দগী জুন ২ ফাওবা গুজরাটকী গান্ধীনগরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪শুবা নেসনেল আর্মরেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী নুপা অমসুং নুপী আর্মরেষ্টলরশিং মণিপুর আর্মরেষ্টলিং এসোসিয়েসননা খনখ্রে।

নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়ানবা তোঙান তোঙানবা ৱেঠ কেটাগোরিদা খনখ্রবশিং অদুদি নুপাগী সব–জুনিয়রদা য়ুম্নাম চিঙ্খো, ৱাই য়াইফবা, লাইখুরাম দেভিদসন, আরকে রিশি, এস পূন্সিবা, দারৱিন খোঙ্খাম, হেমাম রোজর, ফিজম পাইখোম্বা, লৌরেম্বম সন্তোশ, য়াইখোম থৌঙম্বা, জিনিয়স কঙাবম, ঙাঙোম বালকৃষ্ণ, য়াইথেংবম রাজকুমার, সলাম থোই মৈতৈ, লনচেনবা এম অমসুং পাওনম য়োইহেনবনি।

নুপাগী জুনিয়র সেক্সনদা থোকচোম অদিতিয়া, হৈস্নাম মণিরাজ, এন ওরোই, চোনজোনবম বিকাস মৈতৈ, অহৈবম বিপিন, গুনাল ওইনাম, গুরুময়ুম রোহিট শর্মা, শ্রীনিভাস থোকচোম, নিকোলাস থৌনাওজম, অমোম লনখোম্বা মৈতৈ, কেঐচ রাজপ্রতাপ, য়ুম্নাম পৃথিবীরাজ, ঐচ অবুংঙো, লাইশ্রম হেমরাজ অমসুং থৌদাম হেপিসননি।

নুপাগী য়ুঠ সেক্সনদা খুরাইজম থোমাস, মাংতে চুংৱৈমোং কোম, আরকে অঝলজিৎ, ৱাইখোম সৈত্যমনি। নুপাগী সেনিয়র সেক্সনদা চোনজোনবম বিকাস, গুনাল ওইনাম, লৌরেম্বম চিত্রেশ্বর, আরকে অঝলজিৎ, ঙাঙোম বালকৃষ্ণ, নিকোলাস থৌনাওজম, হিদাংময়ুম গেনিসন, লাইশ্রম দিপ অমসুং লাইশ্রম হেমরাজনি।

নুপীগী সব–জুনিয়রদা এম লনচেনবী, সেনিয়রদা সোরাম ভেলেন্তিনা, এল ইনাওবি, সোরাম রানি, এ মেমচা, মাষ্টরদা এল ইনাওবী, এস রানি, এসঐচ শান্তি চনু অমসুং গ্রান্দ মাষ্টরদা এম মেমচানি।

নুপাগী মাষ্টরদা চনম্বম ইবোয়াইমা, টিঐচ বিদ্যাবুসন, এম তোমাল, এল পৌলিনলোং, এল চিত্রেশ্বর, এম অমুবা, দব্লিউ ওপেন্দ্রজিৎ, টিঐচ ওকেন্দ্রোনি অমদি গ্রান্দ মাষ্টরদা কুমাম শ্যামকেশ্বর, এম জিবন অমসুং কেঐচ সঞ্জিৎকুমারনি।

টিম অসিগী ওফিসিয়েলদা মেনেজর ওইনা এল দেবেন, এসিষ্টেন্ট টিম মেনেজর ওইনা কে জগজিৎ শর্মা, নুপাগী কোচতা কে শরতচন্দ্র শর্মা অমসুং নুপীগী কোচতা এম মেমচানি।

খল্লবা শান্নরোইশিংনা শুংশোয় শোয়দনা থা অসিগী ১৫দগী মথং থাগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা কোচিং কেম্পতা শরুক য়াগদবনি। করিগুম্বা কোচিং কেম্প অসিদা শরুক য়াদ্রিবদি ষ্টেট টিম অসিদগী লৌথোক্কনি হায়না মণিপুর আর্ম রেষ্টলিং এসোসিয়েসনগী চেয়োলদা খঙহল্লক্লি।

## হরিপিয়ারি য়াওরি



ইম্ফাল, এপ্রিল ০৮ (এস এন এস)ঃ
থা অসিগী ১দগী ৯ ফাওবা ব্রাজিলগী রিওদা চথরিবা কেদেট এন্দ জুনিয়র ৱার্ল্ড ফেন্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ২ অমসুং ওফিসিয়েল ২ য়াওনা পুন্না মেম্বর ৪না শাবা টিমনা শরুক য়াবগী মনুংদা মণিপুরদগী হজারিময়ুম হরিপিয়ারি কোচ ওইনা শরুক য়ারি।

হয়েং ফাওবা চথগদৌরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ঙসি ফাওবা ইন্দিয়াগী মেদল অমত্তা লৌবা ঙমদনা লৈরি। মেদল টেল্লিদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা গোল্ড ৫ য়াওরগা পুন্না মেদল ১০ লৌদুনা মকোক থোংবা মফম কল্লি।

*এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ:*

# সচিন য়াওনা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৫ কম্মনৱেলঠ গেমস অমদি বোক্সর ৩ এসিয়ন গেমসকী মফম কনখ্রে




ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সি)ঃ
মোঙ্গোলিয়াগী উলানবট্টরদা চথরিবা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬দা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং তোঙান তোঙানবা ৱেঠ কেটাগোরিদা ফাইনেল চঙনখিবগা লোয়ননা বোক্সর ৫ কম্মনৱেলঠ গেমস অমদি বোক্সর ৩না এসিয়ন গেমসকীদমক মফম কনবা ঙমখ্রে।

বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা ২০২৫কী দিসেম্বরদা থোকখিবা মল্টি স্পোর্টিং ইভেন্টশিং অসিগী সেলেক্সন ক্রাইটেরিয়াগী মতুংইন্না কম্মনৱেলঠ গেমস অমসুং এসিয়ন গেমসকী মফম কনবা ঙমখিবনি।

বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী সেলেক্সন ক্রাইটেরিয়াগী মতুংইন্না সচিন সিৱাসনা নুপাগী কেজি ৬০, প্রিতি পৱারনা নুপীগী কেজি ৫৪ অমসুং প্রিয়ানা নুপীগী কেজি ৬০দা এসিয়ন গেমস অমসুং কম্মনৱেলঠ গেমসগীদমক মফম কনবা ঙমখিবনি।

নাকল অমরোমদা জস্মিন লম্বোরিয়ানা নুপীগী কেজি ৫৭ অমসুং অরুন্ধাতি চৌধরিনা নুপীগী কেজি ৭০দা চহী অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মনৱেলঠ গেমসগীদমক মফম কনবা ঙমখিবনি। মখোয়গী ৱেলঠ কেটাগোরিশিং অসি এসিয়ন গেমসতা য়াওদবা মরম্না হায়রিবা গেমস অসিগীদমক মফম কনবা ঙমখিবনি।

উলানবট্টারদা চথরিবা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মিক্সাসি নুপীগী কেজি ৪৮ অমসুং বিস্বানাথ সুরেস নুপাগী কেজি ৫০দা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রবসু মল্টি স্পোর্টস ইভেন্ট অনী অসিদা মখোয়গী ৱেঠ কেটাগোরিশিং য়াওদবা মরম্না হায়রিবা ইভেন্ট অনী অসিগী মফম কনবা ঙমখিদে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী নীংবা কায়নিংঙাই ওইনা নিখট জারিন নুপীগী কেজি ৫১গী সেমি ফাইনেল বাউটতা ওলেম্পিক চেম্পিয়ন ব্রু য়ুগী মখুৎতা মায়থিবা নঙদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিদবদগী মল্টি স্পোর্টস ইভেন্ট অনী অসিগী হৌজিক ফাওবগী ওইনা ক্বালিফাই ওইবা ঙমদ্রবসু নেসনেল কেম্পগী খুৎথাংদা ক্বালিফাই ওইবা য়াবগী খুদোংচাবা অমা লৈরি।

চথরিবা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপীগী কেজি ৪৮গী সেমি ফাইনেলদা মিনাক্সিনা থাইলেন্দগী যোদাৱারিবু ৪–১দা মায়থিবা পীরমদুনা ফাইনেল চঙখিবগা লোয়ননা জস্মিন লম্বোরিয়ানা নুপীগী কেজি ৫৭দা উজবেকিষ্টানগী নিগিনাবু অকনবা মওংদা লম্বা তৌনরবা মতুং ৩–২দা মায়থিবা পীরমদুনা মহাকসু ফাইনেল চঙখি। মিনাক্সিনা ফাইনেলদা য়ুম্থু ওইরিবা মোঙ্গোলিয়াগী নোমন্দারিগা থেংনরগা জস্মিননা থাইলেন্দগী পুনরাৱিগা থেংনরগনি।

নুপীগী কেজি ৫৪গী ফাইনেলদা প্রিতিনা চাইনিস টাইপৈগী হুৱাং ৱেন, কেজি ৬০গী ফাইনেলদা প্রিয়াগা নোর্ঠ কোরিয়াগী উন ৱন অমসুং কেজি ৭০দা অরুন্ধাতি চৌধরিগা কজকষ্টানগী বাকিট সৈদিসকা থেংনরগনি।

নুপাগী দিভিজনগী কেজি ৫০গী সেমি ফাইনেলদা বিস্বানাথ সুরেসনা জোর্দানগী ইসিশবু য়ুনানিমস দিসিজনগী খুৎথাংদা ৫–০ অমসুং সচিন সিৱাজনা কেজি ৬০গী সেমি ফাইনেলদা থাইলেন্দগী সকদাবু ৪–১দা মায়থিবা পীরমদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

*১৬শুবা হোক্কী ইন্দিয়া সব–জুনিয়র মেন নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ:*

# হরিয়ানানা মণিপুর গোল ৩–০দা মায়থিবা পীখ্রে




রাজগির, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সি)ঃ
বিহারগী রাজগির হোক্কী ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ১৬শুবা হোক্কী ইন্দিয়া সব–জুনিয়র মেন'স নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬কী দিভিজন–এগী পুল সিগী মেটচ অমদা হরিয়ানানা মণিপুরবু গোল ৩–০দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিগী অহানবা ক্বার্টরগী অঙনবা শরুক্তা টিম অনীমক্না মিদফিল্ডদা গোল হেন্না পায়দুনা শান্নবগা লোয়ননা গোল চন্নবা অমনা অমগী অশোয়বা ঙায়দুনা লৈন্নখি। টিম অনীমক্না গোল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা কয়া ফংলবসু গোল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈরুরবা মতুং ১১শুবা মিনিটতা হরিয়ানানাগী অদিতিয়া কুমারনা পেনাল্টি কোনর অমদগী গোল ওন্থোক্তুনা অহানবা ক্বার্টর লোয়বা ফাওবা মাঙজিল থাদনা চৎখি।

অনীশুবা ক্বার্টরনা হরিয়ানানা মখা তানা মোমেন্তম শাগৎলকপগা লোয়ননা ক্বার্টর অসিগী অহানবা মিনিট ১৬শুবদা অশিসনা অনীশুবা গোল চন্দুনা মণিপুরবু মনিং হল্লহনখি। অনীশুবা হাল্ফকী অমদি অহুমশুবা ক্বার্টরগী লোয়রমদাই ৪২শুবা মিনিটতা রোহিটনা হরিয়ানাগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি। লেমহৌরিবা মিনিটশিংদা মণিপুরনা গোল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমদবদগী মেটচ অসিদা হরিয়ানানা মণিপুরবু গোল ৩–০দা মায়থিবা পীদুনা ফুল পোইন্ট লৌবা ঙমখি।

দিভিজন অসিগী পুল–এগী মেটচ অমদা চান্দিগরনা মহারাষ্ট্রবু গোল ৫–৩দা মায়থিবা পীখ্রে। মেটচ অসিগী অহানবা ক্বার্টরদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদ্রবসু অনীশুবা ক্বার্টরগী ২১শুবা মিনিটতা মহারাষ্ট্রগী প্রভিননা গোল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাহল্লবসু চান্দিগরগী কেপ্তেন সাহিলনা ২৭শুবা মিনিটতা ইক্বেলাইজিং গোল চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদা গোল অমমম চন্নদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ অমদি অহুমশুবা ক্বার্টর হৌরকপা ৩২শুবা মিনিটতা রেহাননা গোল অমা চন্দুনা মহারাষ্ট্রবু অমুক হন্না মেটচ অসিদা মাঙজিল থাহনবা ঙমখি। অদুবু মরিশুবা ক্বার্টরগী ৪৬শুবা মিনিটতা চান্দিগরগী পরম্বির অমসুং ৫৩শুবা মিনিটতা অর্জান্দিপনা গোল অমমম চন্দুনা মেটচ অসিগী মায়োন হোংখিবগা লোয়ননা অহানবা ওইনা মেটচ অসিদা চান্দিগরনা ৩–২দা মাঙজিল থাখি। ৫৬শুবা মিনিটতা রেহাননা মহাক্কী অনীশুবা অমসুং টিমগী অহুমশুবা গোল চন্দুনা ৩–৩দা লৈহলবসু থংনবা মিনিট ৫৭শুবা অমসুং ৫৮শুবা মিনিটতা চান্দিগরগী পরম্বির অমসুং অফ্রিদিনা থংন থংননা অতেনবা মতমগী মনুংদা গোল অনী চন্দুনা মেটচ অসিদা চান্দিগরনা মহরাষ্ট্রবু গোল ৫–৩দা মায়থিবা পীখি।

পুল–দিগী মেটচ অমদা ওড়িষানা কেরলাবু লাকচনা গোল ৮–০দা মায়থিবা পীখ্রে। মেটচ অসিদা ওড়িষাগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মোহননা মেটচকী ১৮শুবা অমসুং ৪৮শুবা মিনিটতা গোল অনী, দিপকনা মেটচকী ১৩শুবা মিনিট, অমন্দিপনা মেটচকী ৩৮শুবা মিনিট, মানেসনা মেটচকী ৪১শুবা, বিকাসনা ৪৫শুবা, কর্কেতানা ৫২শুবা মিনিট অমসুং বিপুল টিরকিনা মেটচকী ৫৭শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনবা ঙমখি।

পুল–বিগী মেটচতা দদ্রা এন্দ নগর হভেলি এন্দ দমন এন্দ দিয়ুনা তামিল নাদুবু গোল ৬–০দা মায়থিবা পীখ্রে। মেটচ অসিদা দদ্রা এন্দ নগর হভেলি এন্দ দমন এন্দ দিয়ুগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু ধিরজনা মেটচকী ২০শুবা অমসুং ৫৪শুবা অমদি অভিসেকনা মেটচকী ৩১শুবা অমসুং ৬০শুবা মিনিটতা গোল অনী অনী চনখিবগা লোয়ননা অজিৎ যাদবনা মেটচকী ১৭শুবা অমসুং পৱননা মেটচকী ৪৭শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখি।

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77 E-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com